
# আম আদমী পার্টিগী লোক সভাদা মীরেপ ওইগদবশিংগী অহানবা লিষ্ট ফোংখ্রে



**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোকখ্রবা নুমিৎ নিনিগী মতুংদা পার্টি অদুনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী শেম শাবা হৌবা ওইনা ঙসি কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী অহানবা লিষ্ট ফোংখ্রে।

অহানবা ওইনা ফোংখিবা লিষ্ট অদুদা মীওই ২০ গী মমিং য়াওরি। মদুগী মনুংদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টগা লম্বা তৌনগদৌরিবা এ এ পি গী লুচিংবা কুমার বিশ্বাসকী মিং য়াওরি। অদুগা লো মিনিষ্টর কাপিল সিবালগা চান্দনি চোক লমদমদা এ এ পি গী অসুতোসকা ভোট থেংনগদৌরি। এ এ পি গী মহারাষ্ট্র আম আদমী পার্টি য়ুনিটগী কন্ভেনর অঞ্জলি দামানীয়ানা বি জে পি গী লুচিংবা নিটিন গটকারিগা নাগপুরদা লাম্বা তৌনগদৌরি। লোয়ননা এ এ পি গী এক্টিভিষ্ট মেধা পাটকর, হান্নগী বেঙ্কর মিরা সনয়া অমদি এ এ পি গী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা যোগেন্দ্র যাদব অমসুং মুকুল ত্রিপাথিগী মিংসু ঙসি ফোংখিবা অদুদা য়াওরি।

ঙসি লাওথোকখিবা মিংশিং অদু পার্টি অদুগী পোলিটিকেল এফিয়ারস কম্মিটিগী মীফম অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা আরবিন্দ কেজ্রিৱালগী য়ুমদা পাঙথোক্লবা মতুং লাউথোকখিবনি হায়রি। লোয়ননা মীফম অদুদা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা পার্টি অদুনা থেংনগদবা অমদি লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি।

ঙসি পাংথোকখিবা মীফম অদু আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইবদগী তোকখ্রবা মতুং নুমিৎ নিনিগী মতুংদা পাংথোকপনি। দিল্লি এসেমব্লিদা সরকার অদুনা জন লোকপাল বিল পুখৎনবা হোৎনবদা মায়থিবদগী আরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফম থাদোকখিবনি। ইসু অমদা য়ুম্ফম ওইরগা ফম থাদোকপা চিফ মিনিষ্টর লৈবাক অসিদা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা অহানবনি। দিল্লি এসেমব্লিদা এ এ পি না জন লোকপাল বিল পুথোক্লবা হোৎনবদা পার্টি অদুবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎলকখিবা কংগ্রেস অমসুং ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা মশিং য়াম্বা বি জে পি না শৌগৎলক্তবদগী বিল অদু পুথোকপা ঙমখিদবনি।

# মোরোক মকুপ চাইথোকপা, ভোটকীদমক শেল পীবা মথোং হুক্তবা থবক্লি ঃ অদভানি

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** মোরোক মকুপ চাইথোকপগী থৌদোক ইকায়নিংঙাইনি। মদু ভোটকীদমক শেল পীবগী স্কামগা মান্নে হায়না কংগ্রেসকী প্রসিটেন্দ সোনিয়া গান্ধী, বি জে পি গী সেনিয়ার লিদর এল কে অদভানি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মৈ হৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মতাংদা ফোংদোকখ্রে।

অপুনবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এল কে অদভানিনা ফোংদোকখিবদা, ডাক্তর মনমোহন, সোনিয়া অনিনা ভোটকীদমক শেল পীবগী ৱাথোক পুখৎলকপা অদু ইকায়নিংঙাইনি হায়না ফোংদোরক্লি। য়ু পি এ ৱানগী সরকার মতমদা থোকখিবা শেল পীবগী ৱাফম অদু য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লুচিংবা অদুনা ভোটকীদমক শেল পীবগী ৱাথোক অদুগা মান্ননা মোরোক মকুপ চাইথোকপগী থবক অদু উই হায়না ফোংদোরক্লি। টেলঙ্গনা বিল পুথোরকপগী মতাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা পার্লিয়ামেন্টকী ইতিহাসতা অচৌবা ইকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

য়ু পি এ–১ সরকারগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক অদুসু পার্লিয়ামেন্টকী ইতিহাসতা খ্বাইদগী মশক থিবা অমনি হায়খি। অদভানিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, অদুগুম্বা মশক থিবগী লমচৎ–শাজৎ অদু হৌখ্রসনু। অমুক হন্না লাক্তবা ওইরসনু হায়বা ৱাফম ফোংদোরক্লি। হন্দক পার্লিয়ামেন্টতা কংগ্রেস পার্টিগী এম পি অমনা অমুবা মোরোক মকুপ চাইথোক্লবা স্প্রে অমা পুথোরক্তুনা মহাক্কী অকোয়বদা চাইথোকপা হৌরকপগা লোয়ননা সুস্মা স্বরাজ য়াওনা এম পি কয়া খাংবা ঙমদনা মিৎতগী পি তাখি। অদুগা অতোপ্পা এম পি কয়ানা হৈনদবগা লোয়ননা কন্না লোক খুনখি।

বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা হায়, মনমোহন সিংহ তশেং তশেংবা মীংচৎ লৈবা মীওই অমা ওইনা হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী লোয়শিল্লক্লবা মতম অসিদদি খ্বাইদগী হেন্না করপসন তৌবগী রেকোর্দ অমগা লোয়ননা নীংতম্বা ফংলবা ইন্দিয়াদা লৈহৌরগনি হায়রি। শেঙ্গা থুমজাগী ৱাফম অদু কোলগেট কেসনা ফোংদোরক্তুনা লৈবাক সরা শনখি হায়রি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈবাক ৱা–১

*মালেম লৈকোইপুংসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈবাকশিংগী ফিভম, লৈঙাক্লোন, চৎন–লোনচৎ কয়া অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈখিবা ফিভমগদি পুরা খেন্নবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মতমদুদা ওইখিবা মীওইগী সভ্যাতা অদু কমদৌবজাৎনো হায়বদু খঙমিন্নসি।*

***মেসোপোটামিয়া। সুমরিয়া ঃ*** *মেসোপোটামিয়া হায়বসি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহি ৩৫০০ গী মমাংদা টিগ্রিস অমদি ইউফ্রেটস তুরেলগী অকোয়বদা লৈখিবা লৈবাক অমনি। হৌজিক্তি মেসোপোটামিয়া লৈবাক অদু টর্কি, সিরিয়া অমদি ইরাক্কী মনুংদা চনখ্রে। মেসোপোটামিয়া হায়বা মফম অসি ৩৫০০ বিসি অদুৱাইদগী সুমারিয়ানশিংনা পানবা হৌখি। মদুগী তুংদদি মফম অসি তোঙান তোঙানবা মীওই কাংলুপশিংনা কন্ত্রোল তৌখি। কন্ত্রোল তৌরবসু মফম অসি য়ুনাইট ওইনা থম্বদি ঙমখিদে। অদুবু ২৩৫০ বি সি দদি মফম অসি য়ুনাইটেদ ওইনা থমখি। মতমদুদা মাংজিল থানা চাউখৎপা ওইখিবা সুমরিয়ানশিংনা কাঙখোং হায়বসি ইহান হান্না পুথোকখি হায়নৈ। পারস্যানচিংবগুম্বগী শিংচেপ মানবা অরিবা খুৎই (স্ক্রিপ্ট) অসি সুমরিয়ানশিংনা পুথোকখিবনি থাজনরি।*

# ইন্দিয়াদা লাকপা পেসেঞ্জরশিংনা লুপা লিশিং ১০ দগী হেন্না পুরক্লবদি খঙহনগদবনি

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** ইন্দিয়াদা চংলকপা মীওইশিংনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ দগী হেন্না য়াওরবদি অনৌবা নিয়মগী মতুং ইন্না এক্সপ্লেন তৌবা দরকার লৈ। লোয়ননা ইমিগ্রেসন ফোর্মদসু ময়েক শেংনা ইগদবনি হায়রি।

শেমদোক্লবা নিয়ম অদু মথং থাদগী চৎনবা হৌরগনি। চংলক্লিবা মীওইশিং অদুনা পুরকপা হেন্দ বেগ য়াওনা অতোপ্পা বেগশিংগী মশিংসু চপ চানা খঙহনগদবনি হায়রি। ইন্দিয়াদা চংলকপা মতমদা চৎনগদবা অনৌবা নিয়ম অদু ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা শেমখিবনি।

অনৌবা নিয়ম কষ্টম বেগেজ দিক্লারেসন (এমেন্দমেন্ট) রিগুলেসন ২০১৪ গী মতুং ইন্না হায়রিবা ইমিগ্রেসন ফোর্ম অদু ইন্দিয়ান সিটিজনশিংগী ওইনদি মেনশিনবগী দরকার লৈতে। ইন্দিয়ানশিংনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা নত্রগা হল্লকপা মতমদা অদুগুম্বা ইমিগ্রেসন ফোর্ম অদু মেনশিনবগী দরকার লৈরোই।

শেমদোক্লবা অনৌবা নিয়ম অদু মার্চ ১ দগী চৎনবা হৌরগনি হায়রি। চৎনগদবা নিয়ম অদুগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা চৎলিবা থা অসিগী ১০ দা নোটিশ অমা থোকখ্রে। ইন্দিয়াদা চংলক্কদবা মপান লমগী মীওইশিংনা ইন্দিয়ান কষ্টমস দিক্লারেসন ফোর্ম শোয়দনা মেনশিনগদবনি। মদুগী মতুংদা মখোয়দা ইমিগ্রেসন কার্দ পীনবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

# মোদি চাইৱালা ওইরমদে, কেন্টিন কন্ট্রেক্তরনি ঃ কংগ্রেস



**অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা চিনগী লান অমা ওইনা নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা কংগ্রেস পার্টিনা ৱাফম কয়া ফোংদোরক্লি। নরেন্দ্র মোদি কৈদৌনুংদা চাইৱালা ওইরমদে, মদু মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট অমা ওইরক্লবা মতুং ভোটরশিংবু নকশিন্নবা হোৎনবনি। মহাক্তি কেন্টিন কন্ট্রেক্তরনি হায়না মরাল শিরক্লি।

কংগ্রেস পার্টিগী সেনিয়ার লিদর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইরিবী সোনিয়ানা গান্ধীগী পোলিটিকেল সেক্রেটরি অহমদ পটেলনা ফোংদোকখিবদা মীয়ামগী মীনুংশি ফংনবা হোৎনবদা মোদিনা 'চাই পে চরচা' হায়বসিনা মীখলগী খোল্লাও অমা ওইনা শিজিন্নরি। মহাক্না ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু মীখলগী য়েংলগা মীনম্বা ঙাংবনি। চা য়োনবশিংগী এসোসিয়েসনশিংনা হায়রকখি মদুদি, মহাক চা য়োল্লম্বা মীশক নত্তে। অদুম ওইনমক মহাক্না কেন্টিন থিকা লৌবগী থবক্তি চথখি হায়না ফোংদোরক্লি।

পটেলনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মোদিগী স্বরাজ কুচ রেল্লিদা শরুক য়াখিবা সিভিল রাইট এক্টিভিষ্ট লালজি দেসাইনা মহাক্কী মালধারী কম্যুনিটিগী মীওই চা কয়াগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিদা য়াওরক্লে। মোদিনা সরদার পটেলগা মান্ননা চাংদম্নরি। পটেলদি কংগ্রেসকী লুচিংবনি। মখোয়না পটেলগী খ্বাইদগী ৱাংবা মুর্তি অমা শাগৎনবা হোৎনরি। মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী চৌক্রি ফংননবা হোৎনবদা লুচিংবা অমা ওইননবা হোৎনরি। সরদর পটেলবু গুজরাটকী মওংদা ঙাংলি। মদু গুজরাটকী মোদেল অমা ওইবা য়ারোই। গুজরাটকী মোদেলদি মহাত্মা গান্ধীনি হায়খি।

মীওই খরনা খঙহৌদনা এক্সিদেন্ট ওইবা মওংদা শক্তি ফংই। অদুগা মহাত্মা গান্ধী, সরদার পটেল অমসুং অম্বেদকরগী ৱাখল্লোন অদু কাওথোক্তুনা চৎলি হায়না মরাল শিরক্লি। ইলেক্সন লাক্লবা মতমদা মখোয়না লুচিংবশিংগী মিং পন্দুনা করেম্নরি। মোদিনা খঙহৌদনা মহাক মশাবু চাইৱালা ওহ্নোক্লি। নত্রগা রাম ভক্তা ওইনা মীখল মমাংসিদা উহল্লি হায়না পটেলনা মখা তানা ফোংদোরক্লি। মোদিদা এটেক চথবা অমা ওইনা পটেলনা হায়খিবদা গুজরাটতা হৌজিক হৌজিক সোসিয়েল চেপ্টরদা হন্থনা লৈরি। লোয়ননা হেল্থ, এদুকেসননচিংবদসু শোথরি। মহাক্না মীখলগী ওইনা ঙাংথোকখিবা ৱাফমদা গুজরাটসি খ্বাইদগী ফবা অমা ওইনা উহল্লি। গুজরাট অসি হৌজিক প্রাইমারি এদুকেসনগী লমদা শোথরিবা ২৮ শুবা সেরিয়েল নম্বরদা লৈরিবা ষ্টেট অমনি হায়খি।

# কেজ্রিৱাল রিজাইন তৌখিবদা ৱাফম অমা ওইনা খন্ননিংঙাই লৈতে



**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** দিল্লিগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর সৈলা দিক্সিটনা থাংজ নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা আরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফম থাদোকপা নত্তনা উপায় অমত্তা লৈতে। মদু মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবশিং থাজনবা তৌখিবনি। ঙাংবদমক হৈবা এক্সনদি য়াওদবা মীশক্লি হায়না মরাল শিরক্লি।

কেজ্রিৱাল সরকারনা হাউস অদুদা মেজোরিটি মাংখিবা মদুনা মরম ওইরগা ফম থাদোকখিবদা ৱাফম অমা ওইনা খন্ননিংঙাই লৈতে হায়না চহি ৭৫ শুরবী কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা কেজ্রিৱাল চৎখ্রে। মরমদি আইন ঙাক্না থবক তৌবা হৈতবা মী অমা ওইবদগীনি। কেজ্রিৱালগী ৱারেপ অদুদা থিজিন্দুনা য়েংবদা মহাক্না মংজখিবা জন লোকপাল বিল এসেমব্লিদা পুথোকপগী ৱাফম অদুদা কংগ্রেস অমসুং বি জে পি না অথিংবা পীরকপদগী ওইখিবনি। দিক্সিটনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মহাক্কী পার্টিনা এ এ পিদা শৌগৎখিবা অদু শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। মদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফহনগনি খন্দুনা তৌখিবনি। হয়েংদি মীয়াম্না হায়গনি মদুদি, লেফটিনেন্ট গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু তাশিন্নখিদে। মদু শৌগৎলোই হায়না ৱাশকখিবসু লৈতে হায়না অহুন্নক হন্না চিফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা অদুগা হন্দক্কী মীফমদা মহাক মশামক্কী সিট মাংখিবা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

কেজ্রিৱালদি ঙাংবদা হৈ–শিংবনি, অদুগা থবক ওইনদি পাঙথোকপা হৈতবা মীশক অমনি। সৈলা দিক্সিটকী মতমদা মহাক মশানা হোম মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা য়াওদনা শেল থুমগা মরী লৈনবা বিল তরামহুমদোই পাস তৌহনবা ঙমখি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা থবকশিং অদু চৎনবীগী ৱাংমা লানবদি নত্তে হায়না দিক্সিটনা ফোংদোরক্লি।

হোম মিনিষ্ট্রিদা জন লোকপাল বিল থাগৎখিদবগী মতাংদা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক কেজ্রিৱালনা হায়খিবদা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা লেজিসলেচর ১৩ লৈ। মদুনা এপ্রুভ তৌনবা হোৎনখিদবনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

# ক্লাস টৈনগী ছাত্রী অমা মীওই মরিনা নমদুনা ইজ্জৎ মাংহনখ্রে

**ভোপাল, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** মৈধ্য প্রদেশকী রাইসেন দিষ্ট্রিক্তিতা ক্লাস টেন তম্লিবী নুপীমচা অমনা পিকনিক মফম অমদা মহাক্না ফেসবুক্তা খঙনজবা নুপা অমগা ৱারী শানরিঙৈদা মীওই মরিনা নুপীমচা অদুবু নমদুনা ইজ্জৎ মাংহনবীখ্রে হায়না মৈধ্য প্রদেশ পুলিসনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদু শগোলশেল নুমিৎকী পুং ৫ রোম তাবদা ভোপালদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা সেহাটগঞ্জ খুঙ্গংদা থোকখিবনি। পুলিসকী পাউদা মখোয় অনিবু কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা মীওই মরিনা নমদুনা ফাখি। নুপামচা অদুবু শিংজং উত্তুনা কিহনবগা লোয়ননা উ অমদা পুনশিন্দুনা থম্লবা মতুং নুপীমচা অদুবু অরানবা তৌবশিং অদুনা মথং মথং ইজ্জৎ মাংহনখিবনি হায়রি। তুংদা নুপীমচা অদুনা মহাক্কী মরুপ অদুবু পুল্লিবা অদুদগী থাদোক্লবা মতুং ভোপালদা হল্লকখি।

মঙক কনবা মীওই মরি অদুনা নুপামচা অদুগী মোবাইল ফোনসু মুনবিখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুদা হিংহৌরবী নুপীমচা অদু মহাক্কী মদোমচাগী ময়ুমদা চৎখি। ইরাই নুমিত্তা ৱাফম অদু মমা মপাদা হায়দোক্লবা মতুং পুলিস ষ্টেসন্দা গেংরেপকী কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি। নুমিৎ অদুদা মহাক্না চৎমিন্নরিবা নুপামচা অদু ফেসবুক্তা খঙনবনি। শগোলশেল নুমিত্তা ট্যুসন চৎপগী মিংদা থোরক্তুনা নুপামচা অদুগা উন্নখি। কেস অদু রাইসেন পুলিসতা ট্রান্সফর তৌবগা লোয়ননা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি।

মেদিকেল একজামিনেসন পাংথোকপদা নুপীমচা অদু ইজ্জৎ মাংহনবিখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়রি। মঙক কনবা মরাল লৈরবশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। মখোয় অথুবা মতমদা ফাগৎলগনি হায়না এ দি জি অজয় শর্ম্মনা ফোংদোরক্লি।

নুমিৎ অদুদা উখিবা মীওইশিং অদু নুপীমচা অমসুং মহাক্কী মরুপ অদুনা মশক তাকখি। পুলিসনা পুথোক্লককখিবা ফোটোশিং য়েংলগা হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী অনি মশক তাকখি। পুলিসনা মখা তানা থিজিনবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুগা মরাল লৈরবশিং অদুনা শিজিন্নখিবা বাইক অদু ফংননবা হোৎনরি। নুপামচা অদুগী লাকখিবা মোবাইল ফোন অদুগী লৈফম অদু ট্রেক তৌদুনা খঙদোকপগা লোয়ননা পুলিসনা মরাল লৈবশিং অদু ফাননবা অকন্নবা থবক লৌখৎলি হায়রি।

# পঞ্জাব, হরিয়ানাদা কা হেন্না ঈংবগী ফিভম মায়োক্নরি



**চান্দিগর, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং চান্দিগরগী মফম কয়াদা ঙসি কা হেন্না ঈংবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। লমদম অদুদা দিগ্রি সেলসিয়স ৫ গী চাংদা ইংলি। মদু নোর্মেল ওইবা ফিভমদগী হন্থরবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মতম খরা পানা নোং তারুরবা মতুং নুমিৎকী মঙাল উবা ফংলকখি। হৌজিক হায়রিবা লমদমশিং অদুদা খ্বাইদগী ইংবগী চাং অদু দিগ্রি ২ অমদি সেলসিয়স দিগ্রি ৫ ফাওবগী মনুংদা হাইদুনা লৈরি। অইংবগী চাং অদু পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদা নোর্মেল ওইবা চাংদগী হন্থরি হায়না মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোংদোরক্লি।

পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী তম্পাক্কী লমদম, অমৃতসহরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩.৬ তা ঈংলি। মদু হান্না ওইরম্বা চাংদগী দিগ্রি ৩ হন্থরবনি হায়রি। হিসার লমদমদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৮ কী মখাদা হন্থখ্রে। মদু হান্নগী ওইরম্বা চাংদগী দিগ্রি ৫ হন্থরবনি হায়রি।

লুধিয়ানাদসু ইংবগী চাং হেনগৎলক্তুনা ৫.১ দিগ্রি সেলসিয়সতা লৈরে। অদুগা অপুনবা পঞ্জাবকী ওইনা য়েংবদা ইংবগী চাং অদু হৌজিক ৪.১ দিগ্রি সেলসিয়স ওইরি হায়রি।

অতোপ্পা থংনবা মফমশিং মরুওইনা চান্দিগরদা ৫.৮ দিগ্রি সেলসিয়সকী মখাদা ইংলি। মদু হান্না ওইখিবা চাংদগী দিগ্রি অহুম হন্থরবনি।

বিৱানি, নিরনাওল, অম্বালা, পাটিয়ালা নচিংবা মফমদসু হান্না ওইরম্বা চাংদগী হন্থরক্তুনা খ্বাইদগী ঈংবগী ফিভম অমা মায়োক্নরি। হায়রিবা লমদমশিং অদুদা মথংশিংনা সেলসিয়স দিগ্রি ৬.২, ৬.৩, ৪.১ ওইরি। মদুদা নত্তনা চান্দিগর লুধিয়ানা, অদামপুর, পাটিয়ালা, অমৃতসহরদা ঙরাং অহিং চুপ্পা নোং তাখি। হায়রিবা মফমশিং অদুদা ওইখিবা নোংজুগী চাং অদু ১২ এম এম ওইখি হায়রি। ফিভম অদু মথংগী পুং ২৪ দসু অদুমক লেংদনা লৈগনি হায়রি।

# দিল্লিদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা য়াখ্রে



**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ ঃ** দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টরশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফম থাদোকখ্রবা মতুং য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা দিল্লিদা প্রসিদেন্ট রুল ইম্পোজ তৌননবা লেপ্পখি। অদুগা এসেমব্লি অদুনা হৌজিক হৌজিক সসপেন্দেদ এনিমেসন্দা থল্লি।

দিল্লিগী লেফটিনেন্ট গভর্নর নজিব জংনা মমাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা হাউস অদু সসপেন্দেদ এনিমেসন্দা লৈহন্নবা অমসুং প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা রিপোর্ট থাখিবনি। চৈরকসিদা ফম থাদোকখ্রবা চিফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লি এসেমব্লিবু খুদক্তা দিজোল্ভ তৌনবা অমদি নৌনা ষ্টেট অদুদা মীখল পাংথোক্লবা ৱাফম ফোংদোরক্লি।

এনিমেটেদ সসপেন্সন্দা থল্লিবা অদুনা তুংদা অতোপ্পা সরকার অমা শেম্লকপা য়াননবগী থোং হাংদোকপনি হায়রি। মদুদা নত্তনা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অমনা এসেমব্লি অদু অহানবদা সসপেন্দেট এনিমেসন্দা লৈহনগদবনি। মদু পার্লিয়ামেন্টনা প্রসিদেন্টনা পি আর থম্মবা লাউথোক্ত্রিবা ফাওবা থমগদবনি হায়খিবা লৈ।

হৌজিক হৌজিক সসপেসন্দা থল্লিবা দিল্লি এসেমব্লিগী মীখল লোক সভা মীখল লোইরবা মতুং পাঙথোক্লবা য়াই। ষ্টেট অমদা প্রসিদেন্ট রুল থা তরুক ফাওবদং থম্বা য়াবগী আইন লৈ। প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী ৱাফম অদু কেবিনেটনা নিয়মগী মতুং ইন্না অয়াবা পীরবা মতুং মথংগী নুমিত্তা পাংথোক্কদবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা লাউথোক্লবা য়াই হায়রি।

দিল্লি এসেমব্লিদা জন লোকপাল বিল পুথোকপা ঙমদবদগী ইরাই নুমিত্তা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ফম থাদোকখিবদগী দিল্লিদা কন্সটিট্যুসনেল ভেকম অমা লৈরক্লি। হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোকখিবদা সুসিল কুমার সিন্দেনা মহারাষ্ট্রগী খোঙচৎতা লৈখিবনা লেফটিনেন্ট গভর্নরগী রিপোর্ট অদু খুদক্তা লৌখৎপা ঙমখিদবনি হায়রি।

মমাংদা পাংথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা সরকার শেম্নবগী চপ চাবা সিট মশিং পার্টি অমত্তনা ফংবা ঙমদবনা হং এসেমব্লি ওইবা য়াবগী ফিভম লাকখ্রবা মতুং সিট ২৮ ফংবা আম আদমী পার্টিদা কংগ্রেসকী এম এল এ মাপল অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট অমা লোয়ননা জে দি য়ু গী এম এল এ অমনা শৌগত্তুনা মাইনোরিটি সরকার শেমখি। সরকার শেম্লবা মতুং এ এ পি না জন লোকপাল বিল পুথোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুম ওইনমক কংগ্রেস অমসুং বি জে পি না বিল অদু পুথোকপগী মতাংদা সপোর্ট তৌরক্তবনা মরম ওইরগা বিল অদু এসেমব্লিদা পুথোকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা চিফ মিনিষ্টরগী ফমদগী ইরাই নুমিত্তা রিজাইন তৌখি। লোয়ননা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসু ফম থাদোকখিবদগী দিল্লিদা রাজনীতিগী ওইবা অহাংবা লৈরকখিবনি।

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-
Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply